# ‘মালেসিয়াগী প্লেন কায়খিবা মতমদা কনামত্তনা এয়রক্রাফট কন্ত্রোল তৌখিদে’



সিদনি, নবেম্বর ০২ :
মালেসিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট ৩৭০ গী কায়রমদাই অরোইবা মীৎকুপশিং নৌনা এনালাইসিস তৌবা মতমদা প্লেন অদুনা ওসিনদা তাশিনবা মতমদা কনামত্তনা মদুবু কন্ত্রোল তৌখিদে হায়বগী সজেসনশিং ফংলে হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা রিলিজ তৌখিবা রিপোর্ট অমদা হায়রি।

প্লেন থিবগী থবকশিংগী মরমদা খন্ননবগীদমক্তগা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপিটেলদা এয়রক্রাফট অদুবু কোইথি থিরিবা এক্সপার্টশিং পুনখিবগা লোয়ননা রিপোর্ট অদু রিলিজ তৌখিবনি।

প্লেন থিবগী থবক অদুবু লুচিংলিবা ওষ্ট্রিলিয়ন ট্রান্সপোর্ট সেফটি ব্যুরোনা রিলিজ তৌখিবা টেক্নিকেল রিপোর্ট অমনা ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মতম শাংনা থাজরক্লবা ঠিওরি শৌগৎপগুম তৌরি। ইনভেষ্টিগেটরশিংগী ঠিওরিদি বোইং ৭৭৭ অদুনা ফ্যুএল লোইদুনা কুমজা ২০১৪ দা ৱেষ্টর্ন ওষ্ট্রেলিয়াগী মনাক নক্লা ইন্দিয়ন ওসিনগী মফম অমদা স্পীদ য়াংনা পাইশিনখিবা মতমদা কনামত্তনা এয়রক্রাফট অদুবু কন্ত্রোল তৌখিদে হায়বসিনি।

হন্দক থা খরা অসিদা প্লেন অদু ফ্লাইট লোইবা ফাওবা কনাগুম্বা অমনা কন্ত্রোল তৌখি হায়বা অতোপ্পা ঠিওরি অমা ক্রিটিকশিংনা শৌগৎনখি। মদু ওইবা তারবদি এয়রক্রাফট অদু য়াম্না হেন্না শান্না চত্তুনা মদুনা কায়রম্বা য়াবা ওসিনগী সাইজ শরুক অহুম হেল্লম্বা য়াবগা লোয়ননা হান্নদগী কা-হেন্না ৱানরক্লবা প্লেন থিবগী থবক অসি অমুক্কা হেন্না লুশিনহনখি।

তৌইগুম্বসুং য়ুমশকৈশাগী রিপোর্ট অসিনা সেটলাইট দেটাগী খ্বাইদগী নৌবা এনালাইসিস অদুনা প্লেন অদুগী অরোইবা মীকুপশিংদা ঈশিংগী ঈমায় তম্না পাইথরকপগী স্পীদ য়াম্না ৱাংখি অমসুং লেপ্তুনা হেনগৎখি হায়বা উৎখি।

রিপোর্ট অসিনা অসুম্না হায়রি মদুদি, টেঞ্জানিয়াগী ঈশিং মপানদা থেংনখিবা ৱিং ফ্লেপ অমা এনালাইসিস তৌবা মতমদা প্লেন অদুদগী কায়খিবা মতমদা ফ্লেপ অদু দিপ্লোইদ তৌখিদবগী মওংদা লৈরম্মী। মহৌশানা পাইলোটনা কন্ত্রোল তৌদুনা ঈশিংদা তানবা হোৎনবা ৱিং ফ্লেপশিং ফন্দোকই।

ব্যুরোগী ফ্লাইট ৩৭০ কী সার্চ ওপরেসনশিংগী দিরেক্টর পিটর ফোলিননা মমাঙদা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, করিগুম্বা ফ্লেপ অদু শিজিন্নরমদবা তারবদি প্লেন অদু কন্ত্রোল তৌরগা ঈশিংদা তাশিনখিবনি হায়বা ঠিওরি অসি চৎনবা য়ারোই অমসুং সার্চরশিংনা প্লেনগী অকায়-অতোইশিং অদুগীদমক্তা মফম চুম্না থি হায়বসি য়েৎনিঙাই ওইহল্লোই।

# পাকিস্তানগী শিপ থুগায়ফমদা পোকখায়রকপদগী মীওই ১৮ শিখ্রে



ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ০২ : পাকিস্তানগী খা-নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা শিপ থুগাইফম য়ার্দ অমদা পরিং নাইনা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা শিখিবা মী মশিং ১৮ য়ৌখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতা লৈবা গদানি শিপ ব্রেকিং য়ার্দতা শিজিন্নদবা ওইল টেঙ্কর অমা থুগায়বা মতমদা পরিং নাইনা পোকখায়রকখিবদুদা শিন্মী ৫০ হেনবসু শোকখি। শিপ অদুগী টেঙ্কশিং মৈ হৌরকপদগী ব্লাষ্টশিং অদু থোকখিবনি।

শিন্মী খরদি চেম্থোকপা নংদনা শিপ মনুংদুদা লাংদা থুবগুম্না লৈখি অমসুং মথক্তগী লিৎথোরকখিবা ৱার্করশিংদি ঈশিংদা চোংথখি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

নেসনেল ট্রেদ য়ুনিয়ন ফেদরেসন ওফ পাকিস্তানগী রিপ্রজেন্টেটিভ নসির মনসুরনা হায়খি, এক্সপ্লোজন অদুদা মেটল মচেৎশিং কিলোমিটর ২ ফাওবা শান্না পাইখি।

ব্লাষ্ট অদু শিপ অদুগী ফ্যুএল টেঙ্কতা থোকখি অমসুং মদু মখা তানা মৈ চাক্তুনা লৈখি হায়না মহাক্না হায়খি।

করাচিদগী অমসুং এয়র ফোর্স অমসুং নেভিদগী ফায়র ফাইটরশিংনা মৈদু মুথৎনবা হোৎনখি হায়রদুনা মনসুরনা ফোঙদোকখি মদুদি, মৈ মুথৎপদা তঙাই ফদনা চঙবা ফোম য়াওদবা মরম্না ফায়র ফাইটরশিংনা মৈ মুৎপা ঙাইবা তাখি।

হিথাংফম সিটি করাচিদগী কিলোমিটর ৪৫ লাপ্না লৈবা গাদ্দানিদা শিন্মীশিংনা তঙাই ফদবা মশা ঙাকথোক্ন বগী ফিজেৎ-চাকশেৎশিং অমসুং খুৎলায় য়াওদনা য়াম্না ফীভম চাদনা থবক তৌই হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা এক্সপ্লোজন অদুদা পুন্সি লোমখ্রবশিংদুগী ইমুংশিংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল থাখ্রে অমসুং এক্সিদেন্ট অদুগী মতাংদা ইনক্বারি অমা ওর্দর তৌখ্রে।

# বৃটেননা রসিয়াগা লাল শোক্ননবা শেম শাগনি : য়ু কেগী দিফেন্স বোস

লন্দন, নবেম্বর ০২ :
বৃটিশ দিফেন্স চীফশিংনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী ‘চেলেঞ্জ’ থৌনা ফনা মায়োক্ননবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা চহী ২ গী মনুংদা ঐখোয় রসিয়াগা লাল শোক্ননবা মপুং ফানা শেম শারগনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখ্রে।

পাঙ্গল চাংয়েং খুদিংমক্কী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা চাংয়েং অমদা য়ু কেগী ফোর্সশিংনা মাদরলেন্দ (রসিয়া) গা লান্থেংননবা শেম-শারগনি হায়না দিফেন্স সেক্রেটরি সার মাইকল ফেলননা লাউথোকখ্রে।

পুটিনগী লিচিং মখাদা নৌনা পাঙ্গল হাপকৎতুনা মপাঙ্গল উখোক্লবা হোৎনরিবা রসিয়ানা অকন-অরিংগী থৌওংশিং অমসুং লাল পান্থগী মওংশিং উৎপা হেনগৎলক্লিবসিগী মায়োক্তা নেটোনা মায়োং য়ানবা শেম-শারি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এদমিরেল লোর্দ ৱেষ্টনা দেলি ষ্টার ওনলাইনদা ‘লাল লাক্লে অদুবু বৃটেনদি শেম-শাদ্রি’ হায়খিবা মতুংদা দিফেন্স সেক্রেটরিনা ৱারোল অসি ফোঙদোরকখিবনি।

পুটিনগী বেট্টল ফ্লীটনা দোভরগী হ্বাইট ক্লিফ লানখিবা মতুং চয়োল অনী লৈরগা অমসুং রসিয়ন সবমেরিনশিংনা বৃটেনগী মনাক্তা কোইচা-চাদুনা লৈরে হায়না নেভিগী বোসশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা ফেলননা ৱা ঙাঙখিবনি।

নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা ক্রেমলিনগা লৈনবা মরী ফীভম হেন্না শোকচিল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্না য়ু কেনা নেটোগা লোয়ননা রসিয়া থেংননবা শেম শারগনি হায়খি।

রসিয়াগা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগা লৈনবা মরী হৌজিক্লা কোল ৱারগী মতমদগী হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওই হায়না এক্সপার্টশিংনা চেকশিন-ৱারোল ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না (দিফেন্স সেক্রেটরিনা) দিফেন্স সেলেক্ট কম্মিটিদা হায়খি, ‘প্লেন কয়া শান্না পাইবা, সবমেরিনগী এক্টিভিটি কনখৎলকপা অমসুং ঐখোয়গী ঈশিংগী শরুক লাল্লগা চৎখিবা কেরিয়র তাস্ক গ্রুপকী থৌওং লোয়ননা সিরিয়া অমসুং অতৈ মফমশিংদা রসিয়ানা লৌরিবা থৌদাং য়েংলগা লৈবাক অসি চহী অসিদা অমসুং মমাঙগী চহী খরসিদা অকন-অরিংগী থৌওংশিং উৎপা হেনগৎলকখ্রে হায়বসি ঐখোয়না উরে।’

# করাওকি বার মৈ চাকপগী থৌদোক থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

হানোই, নবেম্বর ০২ : করাওকি বার অমদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিখিবা অমসুং মৈদুবু মুথৎপদা পুং মঙা চঙখিবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা ভিয়েটনামনা ওর্দর তৌখ্রে। চৈরকসিদা ওফিসলশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভিক্তিম খরদি থোঙনাউ য়াওদবা কাশিংদা শ্বর ফুন্দুনা শিখিবা মাল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শিখিবা মীওই অয়াম্বা গভর্ণমেন্ট ৱার্করশিং ওইরম্মী। লৈবাকপোকপগী নুংথিলদা হানোইগী কর্ম্মসিয়ল কাউগিয়ে দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মথোল কয়াগী বিল্ডিং অদু মৈ চাক্লকখিবা মতমদা ৱার্করশিংদু ষ্টাফকী পার্টি অমদা শরুক য়াদুনা হরাউ-তয়াম্বা ফোঙদোক্তুনা লৈখিবনি। মৈদু য়াম্না থুনা য়ুমথংনবা বিল্ডিংশিংদা শন্দোরকখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্সপেক্টরশিংনা মৈনা কাহৎলবা বিল্ডিং অদুগী অকায়-অতোই মরক্তা হন-হন্দুনা থিখি।

**MANIPUR UNIVERSITY**
CANCHIPUR : IMPHAL-795003

**APPEAL**

The 2nd November, 2016

The University expresses its deep sense of sadness to the unfortunate incident that occured on the 29th October 2016 in the University campus in connection with the one day interaction programme between the passed out students and present students of Manipur University.

The University appeals to all concerned not to escalate the matter in the spirit of forgive and forget.

Appeal is also made to all students of Manipur to help the University in bringing a conducive academic atmosphere in the University campus. Finally, the University wishes speedy recovery of all those students and security personnel who were injured in the unfortunate incident.

Sd/- L. Rabindranath Sharma
Asst. Registrar/Admn.

HL-B/3440/03

# বাননা সাউথ সুদানগী য়ু এন পিছ কীপিং ওপরেসন্সকী কম্মান্দর মফম থদংখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, নবেম্বর ০২ :
য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মুননা সাউথ সুদানগী য়ু এন পিছ কীপিং ফোর্সকী মকোক চিংলিবা কেনয়াগী জেনরেল মফম লৌথোকখ্রে।

সিভিল ৱারগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুদা মহাক্না ইন্দিয়ন অমসুং অতৈ ক্রুপশিংগী অপুনবা কম্মান্দ পায়খিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা লেফটিনেন্ট জেনরেল জোন্সন মেগোৱা কিমানি ওনদিকিবু দিসমিস তৌরে হায়না লাউথোকখিবা বানগী স্পোক্সপার্সন ষ্টেফেন দুজারিকানা হৌখিবা জুলাইদা লৈবাক অদুগী রাইভল আর্মিশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্ন রিবঙে মনুংদা সাউথ সুদানিজ কেপিটেলদা লৈবা য়ু এনগী ওফিসশিং, রিফ্যুজি কেম্পশিং অমসুং অতৈ ফেসিলিটিশিংদা এটেক তৌরকখিবা মতমদা মহাক্না লিদরশিপকী ক্বালিটি ৱাৎপা থৌওংশিং উৎখি হায়না ফোঙদোকখি।

সাউথ সুদানদা লৈরিবা য়ু এন মিসন (য়ু এন এম আই এস এস) দা ইন্দিয়ন পিছকীপর ২,২৭৭ লৈখি।

দুজারিকনা হায়খি মদুদি, থম্মোয় শোক্লা ৱারবা বাননা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা ইনক্বারিগী রিপোর্ট ফংলবা মতুংদা ওনদিকিবু মফম লৌথোক্লবগী ওর্দর তৌখিবনি। সাউথ সুদানগী রাইভল ফোর্সশিংগী মরক্তা লাল কন্না শোক্লিরিঙে মনুংদা য়ু এনগী ফেসিলিটিশিংদা এটেক চথখিবা মতমদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৩ শিখি।

রিপোর্টকী সম্মরি অমা রিলিজ তৌখিবদা ইন্দিয়ন পিছকীপরশিংগী মনুংদা তাংদাংবা মওংদা পনবা য়াওখিদে।

জুলাই থাদা প্রোব্লেমশিংদু থোক্ত্রিঙে শুপ্নগী থা অমগী মমাঙ হায়বদি জুন থাদা চার্জ পুবা হৌখিবা ওনদি কিবু মরাল শীরদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি, য়ু এন পিছকীপিং ফোর্সনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দ অমগী মখাদা থবক তৌখিদে। মদুনা মরম ওইদুনা চাইনা, ইঠিওপিয়া, নেপাল অমসুং ইন্দিয়াদগী থারকখিবা ক্রুপ কন্টিঞ্জেন্ট মরিদা ওর্দর ময়াম পুল্লপ ওইনা অমসুং করিগুম্বা মতমদা অমগা অমগা তায়োন্নবা ওর্দরশিং পীখি। অসিগুম্বা মওংদা ওর্দর পীবসিনা জুবাগী য়ু এন হাউসতা লৈবা ইনফেন্ট্রি ক্রুপ ১,৮০০ মপুং ফানা মফম মতম চানা শিজিন্নবা ঙমহনখিদে।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি, থৌদোক অনীদা রিফ্যুজি কেম্প অমদা চাইনিজ বট্টালিয়ননা মখোয়গী দিফেন্সিভ পোজিসনশিং থাদোকখি লোয়ননা য়ু এনগী হাউস মনুংদুদা রিফ্যুজি খরা লুট তৌবা মতমদা নেপালিজ পুলিস য়ুনিটনা মদুবু লেপহন্নবা অমসুং মীয়ামবু কন্ত্রোল তৌনবা থবক তৌখিদে।

য়ু এন পিছ ওপরেসনশিংবু মখোয়দা নৎত্রগা মীয়ামদা এটেক তৌরকপা মতমদা য়াম্না থুনা মহৈ য়ান্না থবক তৌবা ঙমদবগীদমক্তগা ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাক্লবসু থাঙ্গেশেংনা ফেল ওইরিবদি সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মায়কৈদগীনি। সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা গাইদলাইনশিং মতীক চানা পুথোকখিদবদা নত্তনা ক্রুপ কন্ট্রিব্যুট তৌরিবা লৈবাকশিংগসু তানবা লৈতে হায়রি।

ঠাকুরমণি/ পাইল কেসকী কবিরাজ নসির খানবু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুঙশংনা মরম ওইদুনা শৌজ-নান্থবা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ মকুপ শৌরগা নাই চাবা, মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংগী মপান্দা মখুল হুৎলকপা, খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ তাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু **MD. Nasir Khan @ Ibomcha Kabiraj** ☎ **9615033039, 7085385283** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজান্দগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা **নসির খান**-বু মপোকসিমগী কাউজরোই হায়না পাউ-চেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎচরি।

*লায়েংফম ঃ* **Haffiz Hatta JNIMS Road.**

*থাগৎচরিবা :* **Raju Khan Urup**

HL-B/3412/21/10-20/11

ঠাকুরমণি সাক্লোন/EMPLOYMENT NEWS

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**EMPLOYMENT EXCHANGE, IMPHAL WEST,**
EMPLOYMENT EXCHANGE COMPLEX, LAMPHELPAT

**NOTICE**

Imphal, the 2nd Nov, 2016

No. EE/2/57/82: It is hereby notified to all Job-seekers that the following posts are to be recruited on contract basis in the Secretariat Law & Legislative Affairs, Department, Manipur, Imphal. Willing eligible candidates who have registered with this Employment Exchange may contact Vacancy Assistant of this office on 9th Nov, 2016 at Room No 15 (A) during office hour for sponsoring their names. The detail particulars are given below:-

| Sl. No | Name of Department | Name of post | Number of posts. | Qualification. | Monthly emolument. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | 2. | 3. | 4 | 5. | 6 |
| 1 | **Secretariat Law & Legislative Affairs, Manipur** | Accountant | 1 (one)- UR | B.Com with Computer Knowledge (MS word, Excel) | Rs, 7,600/- |
| 2 | | Computer 0perator | 1(one)-UR | Graduate from a recognized University with PGDCA degree or equivalent. | Rs, 8,000/- |
| \3 | -do- | L.D. C | 1(one)-UR | Graduate who have completed a course on computer concepts (DOS + Windows + MS 0ffice ...etc. | Rs,7, 100/- |
| 4 | -do- | Driver | 1(one)[-UR | 1. H.S.L.C. or equivalent from a recognized university/ Board.. 2. 3 years' experience | Rs, 7, 100/- |
| 5 | -do- | Peon | 2(two)-UR | H.S.L.C or its equivalent from a recognized University/Board. | Rs, 5, 740/- |
| 6 | -do- | Choukidar –cum- Sweeper. | 1(one)-UR | Matriculate. | Rs, 5,740/- |

Age -Min 18 yrs, Max 38 years (relaxation of age as per Govt. Rules.)

(NG. IBOTHOI SINGH)
Employment Officer, Imphal west.



HL-B/3329/20/09-19/10

## ঠাকুরমণি সাক্লোন/EMPLOYMENT NEWS

**Central Railway Recruitment 2017 – 2326 Apprentices Vacancy – Last Date 30 November 2016**

**Central Railway Recruitment 2017 – 2016**

Central Railway invites Application for the post of 2326 Apprentices. Apply Online before 30 November 2016.

Advt. No. : RRC/CR/AA1/2016

**Job Details :**

Post Name : Apprentices
No of Vacancy : 2326 Posts

**Eligibility Criteria For Central Railway Recruitment :**

Educational Qualification : Must have passed 10th class examination or its equivalent (under 10+2 examination system) with minimum 50% marks, in aggregate, from recognized Board and also possess National Trade Certificate in the notified trade issued by the National Council for Vocational Training.

Nationality : Indian
Age Limit : 15 to 24 years (as on 01.11.2016)

**Age Relaxation :**

For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : Mumbai (Maharashtra)**

**Selection Process :** Selection will be made on Merit List.

**Application Fee :** Candidate belonging to General/OBC have to pay Rs. 100/- through Online. Candidates belonging to SC/ST/PH/Ex-Servicemen/Women are exempted from the payment of fee.

**How to Apply Central Railway Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through website http://www.rrccr.com/ from 01.11.2016 to 30.11.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission of Online Application : 01.11.2016
Last Date For Submission of Online Application : 30.11.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : https://www.rrccr.com/UploadFiles/641.pdf*
***Apply Online :*** *https://www.rrccr.com/Modules/Home/Home.aspx*

**Software Technology Parks of India – STPI Recruitment 2017 – 13 Administrative Officer, Member Technical Support Staff & Assistant Vacancy – Last Date 27 November 2016**

**STPI Recruitment 2017 – 2016**

Software Technology Parks of India invites applications for the post of 13 Administrative Officer, Member Technical Support Staff & Assistant by direct recruitment/Transfer basis. Apply Online before 27 November 2016.

Advt. No. : 1/2016-STPI-HYDERABAD

**Job Details :**

Post Name : Administrative Officer
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4600/-
Post Name : Member Technical Support Staff
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Assistant
No. of Vacancy : 08 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-

**Eligibility Criteria for STPI Recruitment :**

Educational Qualification :
For Assistant/Administrative Officer : Graduate in any discipline from a recognized University or Post Graduate in any discipline from a recognized University.
For Member Technical Support Staff : Three years Diploma in Electronics/Computer Science/Information Technology/ Telecommunication or Bachelor in Electronics/Computer Science/Computer Application/IT or possessing DOEACC “A” Level
Certificate with Two years experience.
Nationality : Indian

**Age Limit :**

For Administrative Officer : 40 years
For Assistant/ Member Technical Support Staff : 36 years

**Job Location : Hyderabad (Andhra Pradesh)**

**Application Fee :** Candidate have to pay Rs.300/- through Demand Draft In favour of ‘Software Technology Parks of India’, payable at Hyderabad. No fee is required to be paid by candidates belonging to SC/ST/PH category. Female candidates are also exempted from payment of fee.

**How to Apply STPI Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website http://www.hyd.stpi.in from 29.10.2016 to 27.11.2016 candidates may also send Hard copy of Online application along with duly attested copies of certificates (uploaded on the website) relating to qualification(s), date of birth, experience certificate(s), caste certificate etc. to Senior Administrative Officer, Software Technology Parks of India, (6Q3, 6th Floor, Cyber Towers, Hitec City, Madhapur,
Hyderabad – 500081) on or before 12.12.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date for Submission of Online Application : 29.10.2016
Last Date for Submission of Online Application : 27.11.2016
Last Date of Receipt of duly signed-in Application : 12.12.2016

***Important Links :***
*Detail Advertisement Link : http://www.hyd.stpi.in/recruitment/EMP_Notif_1_2016.pdf*
***Apply Online :*** *https://recruitment.stpi.in/hyd*